হুইয়েন লানপাউ

য়ূমশকৈশা, নবেম্বর ০২, ২০২২, ইম্ফাল

৪৬শুবা চহী, ২২২শুবা মশীং

# ট্রান্সফর অমসুং পোষ্টিং
## অনীমক্না রুল ঙাক্না চৎকদবনি

মণিপুরদা ট্রান্সফর অমসুং পোষ্টিংগী মতাংদা ৱাথোক-লান্থোক হেক্তা থোকই। থোক্লিবসি ষ্টেটসিদা লৈবা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টকী লোয়শঙশিংদদি তোয়না থোক্তুবদা নত্তনা শুংথোক থোক্তে হায়বা ফাওবা য়াই। মরু ওইনা ষ্টেট লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা লোয়শঙশিংদনি। অদুগা থৌদোকশিংসি অকক্নবা লোয়শঙ অমা-অনী খক্তদা থোকপগী ৱাফমসু নত্তে। লোয়শঙ অয়াম্বদা থোকই। অদুবু মসিবু থোরকফম থোকপ্রা হায়বগী ৱানি। লৈঙাক্কী লোয়শঙশিংদা থবক তৌরিবশিংসু অদুমঙাই, থবক চঙদ্রিঙৈদদি করি-করম তৌরগা লিৎশিনবা য়াগদগে হায়দুনা হুইনা কৈনো থিবদৌনা কোইথি থি। অউপ্পা উনা ফাওবা লোংথোক্লগা থি হায়বদুমক য়ৌই। লৈঙাক্কী থবক অমত্তবু ফংজরবদি হায়দুনা খা-ৱাং চেন্দুনা মরূ-ময়াং কেম্বমখৈ থিদুনা হোৎনৈ। ফংবু ফংলবা লোয়শঙদুনা হায়বা পূন্নমক শিৎ-নান্না ইনগনি হায়, ৱাশকই। অদুগা চংদ-চংখ্রগনা লাই শারকই, ঙাঙন-শক্নবা য়ারক্তবগী ফীভম হেক্তা ওইরকপা য়াওই। অদুবু লাই শারক্লে হায়দুনা ঙাইহাক লৈতনা মীওইদুবু লোয়শঙদুগী মকোক থোংবা অঙম্বশিংনা কোইরং লংবসু য়ারোই। ট্রান্সফর অমসুং পোষ্টিং হায়বসিদি লৈঙাক্কী ফ্লেট ওইবা পোলিসি/রুল লৈগদবনি। হায়রিবসি ষ্টেট লৈঙাক্কী ওইবা অপূনবা অমা ওইনা লৈহনবসু য়াই নৎত্রগা লোয়শঙ-লোয়শঙগী ওইবশিং লৈজবসু য়াই। অপূনবগী ওইগেরা, অকক্নবা লোয়শঙ অমগী ওইগেরা সিষ্টম অমদি লৈগদবনি। লৈরিবা সিষ্টমদুগী মতুংইন্না লোয়শঙগী মকোক থোংবা থৌপুবশিংনসু ট্রান্সফর তৌগদবনি, পোষ্টিং পীগদবনি। অসুম্মাইনা পীরকপদা ইনফম থোক্লিবা ষ্টাফশিংনসু ইনগদবনি। ফীভমসিদা পরিং নাইনা চত্থবদা কৈদৌবগী ৱাথোক-লান্থোক্লগদোইনো?

অদুবু হৌজিক থোরক্লিবশিং অসিদি ট্রান্সফর অমসুং পোষ্টিংগী ওর্দর থোকপা ঙম্বা অঙম্বশিংনসু মাগী অপাম্বগী মতুংইন্না তৌবা, ওর্দর থোকপা অদুগা ওর্দর অসিবু ইনগদবশিংনসু ইনবগী মহুত্তা মরৈ-তুরৈ তৌরকপা, ওর্দরদু ককথৎপা অমসুং চৎনহন্দনা থম্বা ঙম্বশিংগী মতেং লৌরুবদগী থোরকপনি। মরম অসিনা অঙম্বশিংনসু মখোয়না পাম্বা মওংদা ট্রান্সফর অমসুং পোষ্টিংগী ওর্দর থোকপা চুমদে। ওর্দরসি ইনগদবশিংনসু লৈকায়/খুলদা তাবা পোষ্টিংদু শুমাং মতোন্দা ওইনা তানবা হোৎনরোইদবনি। অপাম্বা মফম খন্নবগীদমক অরানবা পাম্বে শীজিন্নরোইদবনি। অসুম্মাইনা নাকল অনীমক্নবু পোলিসি অমসুং রুলশিং ঙাক্না চৎনরগদবু ট্রান্সফর অমসুং পোষ্টিংগীদমক ৱারু-নুংজু থোক্নগদোইসি করম্ননো? শুংথোক থোরকফম থোক্তে। লৈঙাক্কী শিন্মী পূন্নমক্না পোলিসি অমসুং রুলগী মতুংইন্না পীরকপা ট্রান্সফর অমসুং পোলিসিদি শোয়দনা ঙাক্তুনা চৎপা/ইনবা ঙমগদবনি। চীংদা ওইগেরা নৎত্রগা তমদা ওইগেরা মশাদা খূৎশিন্নরকপা থবক্তুদি মায়পুননা পুবা ঙম্নবা হোৎনগদবনি। মসিদি নত্তদনা লৈঙাক্কী তোলোপতি পাম্বা, থবক্না নান্থোকনীংবা, মশা কোম্বা, মরন্নাইগী কান্নবা, ওইজ-ওইথক্না মাঙ থারকপশিংদি তোলোপকী মহুত্তা চৈবুল ওইনা পীজগদবনি। অদুগা মখোয়গী কন্ট্রোল্লিং ওফিসরশিংনসু রুল/পোলিসিগী ৱাংমদা ঙাইহাক লৈতনা হোংদোক-হোংজিন তৌরোইদবনি। পঙলংদা লংলোইদবনি। মকোক ফৎত্রগা মখোঙ ফবা য়ারোই হায়বসি য়াম্না ময়েক শেংনা খঙগদবনি। হায়রিবসি এদ্যুকেসন নৎত্রগা পুলিস দিপার্টমেন্ট খক্কী ওইবা ৱাফম নত্তে। মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা লোয়শঙ পূন্নমক্কী থৌমী পূন্নমক্কী ওইবা ৱাফমনি। মখা তানা মনা-মনিল নাইহল্লক্কনু তানীংদে। পূন্নমক অমত্তা ফৎত্রবা অমসুং ঙাঙন-শক্নবা য়াশিল্লক্ত্রবদি মীয়ামগী লৈঙাক মকোক ফৎতবা অমদি মতিক চাদবদগীনি হায়বা ৱাফম অমুক পোপথোরক্কদৌরিবনি কাউগনু।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৩

১) “ৱাখলগী লৈকোল” হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

২) “থিয়েটর অমসুং নুংগী ৱাখল” হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো?

৩) “ৱাকৎ” হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৪) “জনান্তিক” হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেল কনানা ইবদগী মণিপুরীদা কনানা করি মমিং থোন্দুনা হন্দোকপগে?

৫) “অওনবা সমাজ” হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ১৫, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী ড্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# অনীশুবা মালেমগী লাঞ্জাওদা থুগাইখিবা জহাজ অমনা নোর্থ সীবু ঙসিসু হু চেলহল্লি হায়না পুথোরকপা

সাইন্সকী খোঙচৎ

কুঞ্জো নাওরেম


V-1302 John Mahn হায়বসি কুমজা ১৯৩৯দগী ১৯৪৫ ফাওবা শোক্নখিবা মীওই চা কয়াগী পুন্সিবু খাঙুথক্তা মাঙহনখিবগা লোয়নননা অমাঙ-অতা কয়ামুক থোকহনখিবা মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাওদা শীজিন্নখিবা নাজিশিংগী জহাজ অমগী মমিংনি। থাঙ্গৈশেংবদি মিটর ৪০ শাংবা জহাজ অসি কুমজা ১৯২৭তা ঙা ফাবদা শীজিন্ননবা Reiherstieg Schiffwerke (Hamburg) না শাখিবনি। অদুবু মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাও শোক্নরক্লবদা কুমজা ১৯৩৯গী সেপ্টেম্বর ২৮দগী জোন মানবু লানগী থবক্তা শীজিন্নবা হৌরকখি। OPERATION CERBERUS (The Channel Dash) কী শরুক অমা ওইনা কুমজা ১৯৪২দা SCHARNHORST, GNEISENAU অমসুং PRINZ EUGEN হায়রিবা বেটলশিপশিং অসিগা লোয়নননা ইংলিস কেনল ফাওরগা নোর্থ সী তম্না চঙশিল্লকখি। অদুবু বৃটিশ রোয়ল এয়র ফোর্সনা নোংথক্তগী কাপথরকখিবা বোম অনীনা পানবদগী জোন মান অসি ক্রু মেম্বর ১২গা লোয়নননা ঈশিংগী ঈমাইদগী মিটর ৩০ লুথনা লৈরিবা বেলজিয়ন নোর্থ সীগী ঈরোলনুংদা লুপখি।

জোন মাননা ঈরোলনুংদা লুপখিবা চহী ৮০ শুরে অদুবু অদুগুম্বা জহাজ অদুনা কাইখিবা মতমদা লোয়নখিবা পোৎচাকশিং অদুনা মেরিন ইনভাইরনমেন্টতা করিবু শোকহল্লিবগে হায়বসিদি ইখন খন্নদনা লাকখি। হৌজিক সাইন্টিষ্টশিংনা জোন মান অসিদা য়াওখিবা লানগী পোৎলমশিং, খুদম ওইনা পেট্রোলিয়ম, এক্সপ্লোসিভশিং অমসুং জহাজ অদুবু শাবদা শীজিন্নখিবা পোৎশিং অদুনা নোর্থ সীগী ঈরোলনুংদা লৈরিবা লৈমাই (ওসিন ফ্লোর) গী মাইক্রোবাইওলোজি অমসুং জিওকেমিষ্ট্রিদা করি অকায়বা পীরিবগে হায়না নৈনরুবদা মীয়াম্না ইখন-খন্নরুদবা অমাঙ-অতা কয়া থেংনরক্লে হায়না ‘ফ্রন্টিয়র্স ইন মেরিন সাইন্স” চেফোংদা ফোঙদোরক্লি। থিজিনবগী থবক অসি বেলজিয়মগী Ghent University গী Josefien Van Landuyt অমসুং মহাক্কী থিজিন-লূপ্না পাঙথোকখিবনি।



Josefien Van Landuyt

মালেমগী লাঞ্জাও অনীসিদা নোর্থ সীগী ওসিন ফ্লোরবু য়াম্লবা জহাজশিং অমসুং এয়রক্রাফ্‌টশিং, বোম-তোপকী মচাকশিং অমসুং ৱারফ্যের এজেন্টশিংনা কুপশিনখি। অদুগুম্বা অকাই অতোইশিংদুগী মরক্তা পেট্রোলিয়ম অমসুং এক্সপ্লোসিভশিংগুম্বা মাঙ-তাক্লিংঙাই ওইরবা কেমিকেলশিং য়াওখ্রিবনি। লাঞ্জাও অনীসিদা কাইখিবা জহাজশিংদা পেট্রোলিয়ম প্রদক্টশিংগী মিলিয়ন টন ২.৫ অমসুং ২০.৪গী মরক্তা য়াওরম্বা য়াই হায়না পানরিবনি। লাইবক থীরিবদি অদুগুম্বা অকাই-অতোইশিংদু করম করম্বা মফমশিংদা তাশিনখিবগে হায়বগী চপ চারবা ইনফোর্মেসন হিষ্টরিকল ভেল্যুশিং অদুতনি, মখোয়না সমুদ্রদা হিংলিবা জীবশিংদা করি অমাঙ-অতা থোকহল্লিবগে হায়বগী মতাংদদি ইখন খন্নদে হায়না থিজিন লূপ অসিগী Landuyt না ফোঙদোক্লি। অদুবু অদুগুম্বা অকাই অতোইশিংদুনা ঙসিসু মেরিন ইকোসিষ্টমবু মোৎহল্লিবনি। মরম অসিনা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন্না মতেং পাংবা, নোর্থ সীদা কায়রগা তাশিনখ্রিবা জহাজশিংগী অকাই-অতোইশিংদুবু ঙম্লিবমখৈ লৌথোক্নবগী থৌরাং “নোর্থ সী রেক্স প্রোজেক্ট” অমা পায়খৎপা হৌরকখি। থৌরাং অসিগী মখাদা নোর্থ সী (বেলজিয়মগী শরুক) দা কুমজা ২০১৯দগী থিজিনবা হৌরকখি।




V-1302 John Mahn গী কায়রবা দেক প্লেটিং

V-1302 John Mahn না লুপশিনখিবা বেলজিয়ন কোষ্টকী অকোয়বগী বাইও অমসুং জিওকেমিষ্ট্রিবু এনালিসিস তৌনবগীদমক থিজিন লূপ অসিনা জহাজ অদুগী ষ্টীলনা শাবা বোদি অমদি অকোইবদা লৈরিবা, লাপ্পা খেন্নবা মফমশিং অমসুং মায়কৈ খুদিংমক্তগী সেদিমেন্ট সেম্পলশিং খোমজিল্লম্মী। জহাজ অদুনা লৈরিবা মফমদুদগী লাপ্পা খেন্নবগী মতুংইন্না হু ওইবা কেমিকলশিংগী মান্নদবা কন্সেন্ত্রেসনশিং ফংবা ঙম্লম্মী। হু চেনবা কেমিকলশিংদুগী মনুংদা অরুম্বা ধাতুশিং (নিকেল অমসুং কোরি), পোলিসাইক্লিক এরোমেটিক হায়দ্রোকার্বন (পি এ ঐচ) গুম্বা কোয়লা, ক্রুদ ওইল অমসুং গেসোলিনদা য়াওবা কেমিকেলশিং, অর্সেনিক অমসুং এক্সপ্লোসিভ কম্পাউন্দশিংনি।

ধাতুশিংগী খ্বাইদগী ৱাংলবা কন্সেন্ত্রেসনশিংদু জহাজদুগী কোয়লা হাপফম কাদুগা খ্বাইদগী নক্লবা সেম্পলশিংদা থেংনরম্মী। জহাজদুনা লুপখ্রবা মতুংদা নৌনা তুংশিল্লকপা সেদিমেন্টশিংদা ধাতুগী চাং হেন্না য়াওরম্মী। খ্বাইদগী ৱাংবা পি এ ঐচকী কন্সেন্ত্রেসনশিংসু জহাজদুগা খ্বাইদগী নক্লবা মফমশিংদা থেংনরম্মী। মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাওদা লুপখিবা জোন মাননা মফমদুগী মাইক্রোবাইওমদসু অপনবা পীরম্মী। পি এ ঐচশিংবু থুগাইবা ঙম্বা মাইক্রোবশিং খুদম ওইনা *Rhodobacteraceae* অমসুং *Chromatiaceae* শিংসি খ্বাইদগী মোৎলবা মফমশিংদা ফংলম্মী। মসিগীসু মথক্তা *Desulfobulbia* গুম্বা সলফেট রিদ্যুসিং বেক্টরিয়াসু জহাজদুগী ষ্টিলগী বোদিশিংদা থেংনরম্মী, অদুগা মখোয়না বোদি অদুবু কোহ্লিং কাহল্লম্বা য়াবগী ওইথোকপসু লৈ হায়রি। থিজিন-লূপ অসিনা থেংনরকখিবা এক্সপ্লোসিভশিংগী মনুংদা TNT (TriNitro Toluene) অমসুং 1,3-dinitrobenzene (1,3-DNB) য়াওরি।

Van Landuyt না ফোঙদোকপগী মতুংইন্না মখোয়না থেংনরক্লিবা খরা অসিদি চাউখ্রবা আইসবর্গ অমগী মতোন ইথং থংবা মচিন অদুখক্তমক নৈনবগা চপ মান্নরি। মরমদি মখোয়না থিজিল্লিবা অসিদি কুইনা লুপথখিবা জহাজ অমখক্তগী মতাংদনি। অসিগুম্বা জহাজ চা কয়া মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাওদা মালেমদা লৈরিবা পাক-চাউখ্রবা সমুদ্রগী ঈরোলনুংদা লুপখ্রিবনি। মখোয়বু শাবদা শীজিন্নখিবা পোৎলমশিং, মখোয়না পুখিবা খূৎশু-খূৎলায়শিং, বোম অমদি কোয়লানা সমুদ্রগী ইকোসিষ্টমদা অচৌবা চৈথেং পীরমগনি। অদুনা নোর্থ সীগী অতোপ্পা মফমশিংদা লুপখিবা জহাজশিংগী খোঙ্গুল লীদুনা মখোয়বু শেংদোকপগী তঙাইফদবা লৈরে হায়না Van Landuyt না হায়রি। অদুবু মতাংসিদা থেংনরিবা খুদোংচাদবা অমদি লাঞ্জাও অনীসিদা করম-করম্বা মফমশিংদা জহাজশিং অমসুং এয়রক্রাফ্‌টশিং লুপখিবগে হায়না খঙদোকপসিনি। হৌজিক্কী ওইনদি নোর্থ সীদা অসিগুম্বা থিজিনবগী থবকসি পায়খৎপা হৌরে। মতুং তারকপদা অতোপ্পা মফমশিংদসু অতোপ্পা থিজিন লূপশিংনা পায়খৎলকপা য়ারি। ●



V-1302 John Mahn গী লুপখ্রবা শরুক অমা

# বিশ্বা-ভারতি য়ুনিভর্সিটি; মখৌ পোংনা লেপহৌরি আশা অমদা!

*“ The highest education is that which does not merely give us information but makes our life in harmony with all existence”*

– Rabindranath Tagore

- লৈশাংথেম অজিৎ -

ৱাখলসিদা চরাংনবা অমগা লোয়নননা খৌরাংবসু পোকই। লাইরিক্তা তমখিবা শান্তিনিকেতনগী ৱারী - চুল্লমগদ্রা খল্লি অমদি তশেংনমক লৈরিজাৎলা?

শান্তিনিকেতন তাবদা অহানবা ৱাখলদা লাকখিবসি **রবিন্দ্রনাঠ টেগোর**গী উখোংদা, অহাঙবা লমহাংদা লাইরিক তম্বী হায়বা পীক্লিঙৈ ক্লাসতা লীবিখিবা ৱারীদুমকনি অতে থোইদোকপা অহেনবা খল্লু হায়বা য়াদে। শান্তিনিকেতন য়ৌবা মীকূপ্তুদি অঙকপা ঙাক্তনা পীক থল্লে। ৱাখলদা চমন্নবা, থাজদবা, খৌরাংবা কয়াদি ইঙক-ঙক্লে। অচিকপা চীংখোঙ অমদা নাইতোম অইবা অমগুম্না ৱাখল অসি ইপাই পাইদুনা মোন্দ্রং অমদা লৈরুই। তাঞ্জা অদুমক্তদা ইশা অসি শৈরেং কয়া ইখ্রবা অইবা অমগুম ইথন্তা খল্লকই! মসিমক ওইগনি বিশ্বা-ভারতি য়ুনিভর্সিটি, শান্তিনিকেতনগী অহানবা শকলোন!

বিশ্বা-ভারতি য়ুনিভর্সিটি, শান্তিনিকেতনগী মোটো - ***“where the world makes a home in a single nest”*** অসিগা রবিন্দ্রনাঠ টেগোরগী ***“….harmony with all existence”*** অনী অসিগী ফজবা, চুশিন্নবা অমদি পূন্না তুনা (পেরেল্লেল) ওইনা চৎপা কেম্পস মনুংদা মমি তাহৌই। মহৌশাগী খূৎশেম্না পীবিরিবা অঈংবা, ৱাখল লৈতাবা, নুংশিবা, পুকচেল শেংবা কয়া অসি শান্তিনিকেতনদা অয়াম্বা শরুক উবা ফংলকই। মহৌশাগী খূৎশেম অমদি মহৈ মশীন তম্বদা করম্না অদুক্কী মতিক নকশিন্ননা চৎলিবনো হায়বসি তশেংনা কুপথবা মীৎয়েং য়েংবদা কান্নগনি লৌই।



ইরোল-ইয়েক, ইনাৎ, চৎন-লোনচৎ, থৌগল্লোন, মরৈবাক মরমদম নুংশিবা মহৈরোয়শিংগী থম্মোয়দা ফাওহৌই। ত্বেন্টি ফষ্ট সেঞ্চুরিগী অদুক্কী মতিক চাওখৎলে হায়নরবা মতম অসিদা ইরমদমগী ফিজেৎ লৈতেং কয়ানা পেন্থোক্তুনা মকা লাম্না লৈহৌবা ওজা অমদি মহৈরোয়শিংদা উরকই। চেকলোন মরিনা খাজিনবা কা অমদা হৈরবনি, খঙলবনি হায়দুনা মখৌ পোংজরিবা খুন্নাই কয়া অসিদা বিশ্বা-ভারতিগী অহাঙবা, উখোংগী মহৈ তম্ফম কয়া অসিনা করি হায়নীংলিবা? মখোয়দু থাক হন্থবা এদ্যুকেসন সিষ্টমনি হায়নগদৌরিব্রা? য়ুনিভর্সিটি অসি ইন্দিয়ানা নীং-খা তমদ্রিঙৈ মতমদগী লিংখৎলবা য়ুনিভর্সিটি অমনি। ৱেষ্টর্ন এদ্যুকেসনগা লম্বা পাগনি হায়দুনা লিংখৎখিবা অমদি ইংলিস এদ্যুকেসননা মায়থীবা পীবা ঙম্লক্ত্রবা মহৈশঙ অমসুনি। নেসনল ইন্সটিট্যুসনেল রেঙ্কিং ফ্রেমৱর্ক (এন আই আর এফ), ২০২০গী মতুংইন্না 69th rank (Overall), Rank-50 (Universities) তা লৈদুনা টোপ ১০০ য়ুনিভর্সিটিদা অচৌবা ফিদা অমা কল্লি, CWUR World (2020-21) Rank -1134 অমদি USNWR Global (2021) Rank- 756 লৈরি।

য়ুনিভর্সিটি কেম্পস অমদি খুঞ্জাশিংগা পূন্না খুন্দামিন্নদুনা পূন্না হিংমিনহৌরি। মহৈশঙ অসিবু য়োকখৎতবা য়াদে, ইশাগী ইরলনি হায়বগী ৱাখল চেনবদুমক তমজনীংঙাইনি। রবিন্দ্রনাঠ টেগোরগী শঙ্গাই, ‘গীতাঞ্জলি” লাইরিক ইরম্বা মফম্নচিংবা কয়া ঙাক শেন্দুনা থমহৌরি। মসিনা মহৈরোয়শিংদা অমদি হৌরক্লিবা মীরোলদা কলচরেল হেরিটেজ, ত্রেদিসন, দিসিপ্লিন, কলচরনচিংবা কয়া খঙহল্লি অমদি তাক্লি।

মহাত্মা গান্ধীগী ***“All round development”*** গা রবিন্দ্রনাঠ টেগোরগী ***“Education System”*** দা মায় পাক্লা হৌজিকসু তমহৌরি। মহৈরোয়শিংদা হোর্টিকলচর, এগ্রিকলচর, স্কিল দিভেলপমেন্ট, মেনেজমেন্টনচিংবা কয়া থবক ওইনা লিশাং শিংনা রুটিন অমা ওইহৌরি। দিপার্টমেন্ট ওফ এদ্যুকেসনদা দেলি রুটিন ওইনা ক্লাস হৌদ্রিঙৈ প্রেয়র, টোপিক অমদা প্রেজেন্টেসন অমদি য়ুনিভর্সিটিগী ফেকলটি অমনা রিসোর্স পর্সন ওইদুনা নোংমগী ক্লাস হৌদোকই। মসিনা গান্ধীগী ওল-রাউন্দ দিভেলপমেন্ট লাক্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৈ। মসিমক ঐখোয়গী এদ্যুকেসন সিষ্টমদা তমজবা য়াবা শরুক ওইরি। মনা-মশিং, হৈ-লৈ, উ-ৱা কয়া থাদুনা মহৈরোয়শিংদা অহেনবা লৌশিং পীরি। মসিদগী পুথোরকপা উহৈ-ৱাহৈ, মনা-মশিং কয়া অদুবু মহৈরোয়শিংগী য়ূমদসু পুনৈ অমদি কৈথেলদা য়োন্দুনা দিপার্টমেন্টকী ওইবা থবক থৌরমদা শীজিন্নহল্লি।

Rabindra Bhavana (Institute of Tagore Studies and Research) অসিদা টেগোরগী manuscript, correspondences, painting, sketch, museum, archives, library, audio-visual unit নচিংবা কয়াগী মফম ওইরি। রবিন্দ্রনাঠ টেগোরগী বিশ্বা-ভারতিদা য়াম্নমক মপূং ওইনা লৌরিবা Vidya-Bhavana (Institute of Humanities and Social Science) অসি ইন্দিয়ন কলচর অচৌবা মফম অমা ওইনা লৌরম্মী। Kala Bhavana (Institute of Fine Arts) অসিমক্তি য়াম্না তোপ তোপ্পা মশক অমা উবা ফংই। ইন্সটিট্যুট অসিমক্কী তোঙানবা মশক উরুবদা ইমাশিনা লৈরম্বা হোষ্টেল উরকই। ইমাশি এম কে বিনোদিনিগী ৱাখল্লোন, মহাক্কী খূৎয়েৎ, শৈহেক-শৈথা কয়া শান্তিনিকেটনগী অকোয়বশিং অসি উরুরগা পূক্নিংদা নুংশিবা ফাওই। Sangit Bhavana (Institute of Dance, Drama & Music) অসিমকসু মণিপুরগা শাগোন্নবা য়াম্না নক্নবা থম্মোয়গী মরী অমখক লৈবগুম ফাওই। তশেংনা শান্তিনিকেতন অমদি মণিপুর অনী অসি করিগী অসুক নক্নবগুম ফাওরিবনো?

পূন্নমকসি শাগোন্নদুনা রবিন্দ্রনাঠ টেগোরনা মঙজরম্বা মঙলান অমদি আশা - মহৈ মশীন তম্বদা ঐখোয়গী ইনাৎ, চৎন-লোনচৎ, চাকচা-য়ুথক, ইরোল-ইয়েক য়োকখৎপা তঙাইফদে। মহৌশাগী খূৎশেম অমদি মীওইবা অনীমক পূন্না হিংমিন্নবনা লাইরিক হৈবদগী হেন্না মরু ওই। মীরমগী চৎনবী ইমুংদা চৎনবা য়াদবা চৎনবীদু তম্ফম থোক্তে। লাইরিক অমদি লাইশু হায়বসিদা ঐখোয় ইশা ইশাগী ওইনা ইরোমদোম লেপচবদা চাওথোকফম থোকই হায়বসিমক বিশ্বা-ভারতি য়ুনিভর্সিটি, শান্তিনিকেতননা ঙসিগী মীরোলদা তাক্লি অমদি উহল্লি। লোয়নননা গ্লোবেলাইজেসনগী অকনবা চৈথেং মরকসিদা রবিন্দ্রনাঠ টেগোরগী ৱাখল্লোন শান্তিনিকেতনগী লৈমায়দা মখৌ পোংনা লেপ্তুনা লৈরি অমদি মহাক্কী অশানবা মীৎয়েংগা লোয়নননা থন্বীরম্বা আশা অদুমকসু মালেম শিনবা থুংনা তমজনীংঙাই ওইখিনি হায়বগী আশাদা নোকফেৎ তৌদুনা লৈহৌরি…!. ●